# মণিপুরগী টিমনা গোল্ড ৪, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংবা ঙমখ্রে





জয়পুর, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): রাজস্থানগী জয়পুরদা লৈবা এস এম এস ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৭৩শুবা সিনিয়র, ৫০শুবা জুনিয়র অমসুং ৩৬শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ট্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা মণিপুরগী টিমনা গোল্ড মেদল ৪, সিলভর মেদল ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী সিনিয়রগী এলিট টিম স্প্রিন্টতা মণিপুরগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা এল রোনাল্ডো, ৱাই রোজিট অমসুং কে জেমসনা মিনট ১:০২.৮৮৫দা থৌবা ঙমদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা অতোপ্পা গোল্ড ফংখিবশিং অদুনা মেন্স জুনিয়রগী কিলোমিটর ৭কী স্ক্রেটচ রেসতা ৱাই বিরজিৎনা মিনট ১০:১৯.৩০৫দনি। ৱিমেন্স জুনিয়রগী কিলোমিটর ৪গী ওইনা এন বিসেশ্বরীনা মিনট ৬:৪৬.৯৮৯দা, অদুগা সব-জুনিয়র গর্লসকী কিলোমিটর ৫গী স্ক্রেটচতা ঐচ প্রেমিকা চনুনা মিনট ৮:২৭.৮৩৯দা ফংখিবনি।

সিলভর ফংখিবশিং অদুনা নুপাগী জুনিয়রগী কিলোমিটর ৩গী ইন্দিভিজ্যুএল পর্স্যুটতা য়ুম্নাম বিরজিৎনা মিনট ৩:৪৩.৩৪৮দা ফংখি। নুপাগী জুনিয়রগী টিম স্প্রিন্টতা কে ঐচ রাহুল, এস সনাথোই, য়ুম্নাম বিরজিৎ অমসুং কে বিসননা মিনট ১:০৬.১০৭তা ফংখিবনি। সব-জুনিয়র গর্লসকী টিম স্প্রিন্টতা ঐচ প্রেমিকা চনু, এস বিদ্যারানী চনু অমসুং ঐচ থাজমানবীনা মিনট ১:২১.৭৫৮দা ফংখি। সব-জুনিয়র বোইজকী মিটর ৫০০গী টাইম ট্রায়লদা এল ৱাৎতবনা সেকেন্দ ৩৬.৩৮৮দনি। লোয়ননা য়ুঠ গর্লসকী ইন্দিভিজ্যুএল টাইম ট্রায়লদা তরুনকুমারী থোকচোমসু সিলভর ফংখি।

মণিপুরগী টিমদা ব্রোঞ্জ ফংখিবশিং অদুদি সব-জুনিয়র বোইজকী টিম স্প্রিন্টতা দল্লিয়ু বিদ্যানন্দ, টি বিপিল অমসুং এম ৱাৎতবা মৈতৈনা মিনট ১:১১.৬৩৯দা ফংখি। সিনিয়র ৱিমেন্স এলিটকী ইন্দিভিজ্যুএল পর্স্যুটতা কে ঐচ রেজিয়ানা মিনট ৪:১৫.৮৯৬তা ফংখিবনি। সব-জুনিয়র গর্লসকী মিটর ৫০০গী ইন্দিভিজ্যুএল টাইম ট্রায়লদা ঐচ প্রেমিকা চনুনা সেকেন্দ ৪০.৭৭৫দা লৌখি।

# হিরো আই লীগতা ট্রাও এফ সী ইন্দিয়ন এরোজকা দ্রো চৎখ্রে

কোলকাটা, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অহৌবা নুমীৎতা মমাংগী এদিসনদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও এফ সী অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী দিভলপমেন্টেল টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন এরোজকা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌদ্রিঙৈদা ইন্দিয়ন এরোজকা ট্রাও এফ সীগা য়েংনরুবদা মায় পাক্কনি হায়না থাজবগী চাং অসি ট্রাও এফ সীনা হেন্না লৈখিবনি। অহানবা হাফকী হৌরকপা নাকল অনীগী মায়কৈদগী শান্নরকখিবা অদু লম্বা মান্নবদগী পাঞ্জল চন্নখিদে। অদুবু খ্বাইদগী ফজবা তাঞ্জা অদু ট্রাওগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা শান্নবগী পুংখায় য়ৌরকপদা কাওশিনখিবা বোল অমা ইন্দিয়ন এরোজকী সজাদ পারেনা গোললাইনদগী হেদ তৌথোক্তুনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপদসু ট্রাওগী মায়কৈদগী ফজবা খূদোংচাবা অমা ফংখি। ষ্ট্রাইকর ওলালেয়ে অমসুং টুরেবনা পুশিনমিন্নরকখিবা বোল অদু নাইজেরিয়া মচা ওলালেয়েনা কাওরকপদা ইন্দিয়ন এরোজকী দিফেন্দর অমদগী থক্তোরকখি। বোল অদু টুরেবনা কাওশিনখিবদা এরোজকী গোলকিপর প্রকাশনা ফাবা ঙমখি।

পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবা মেটচ অদু লোইখ্রবা মতুং ট্রাওগী কোচ নন্দকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী শান্নরোয়শিংনা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু হান্না পারুবদগী খরা হন্থখি। অদুবু অহৌবা মেটচতা পোইন্ট ১ ফংহৌবা অসি কান্নবনি হায়খি।

ইন্দিয়ন এরোজকী কোচ সনমুগম ভেনকাটেশনা ফোঙদোকখিবদা, নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই হায়খি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লবা গোকুলম কেরলানা চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু গোকুলমগী এস মুখামটনা ১৬শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমদগী চনখিবনি। লোয়ননা অহুমশুবা মেটচতা রাজস্থান এফ সী অমসুং রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাবকী মেটচ অদু পঞ্জাবকী টিম অদুনা ২-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু কে গুখ্রেনা চল্লগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মণিপুর মচা অশাংবম অফাওবনা চনখিবনি।

হয়েং মণিপুরগী নেরোকা এফ সী অমসুং শ্রিনিধি শান্নগনি।

# নুপামচাগীদা আর ৱাই সীনা অদুগা নুপীমচাগীদা এ এস এনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট লঙ্গরি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খুরাই লম্লোংদা লৈবা লম্লোং হায়র সেকেন্দেরি স্কুলগী শান্নবুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লঙ্গরি এসোসিএসন, য়ুঠ সোসল সোসাইটি এন্দ য়ুনিভর্সেল প্রোগ্রেসিভ ক্লব খুরাই থৌদাম লৈকাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪দগী ২৬ ফাওবা চথুরকপা ৩শুবা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু খেরো মৈতৈ অমসুং দল্লিয়ু থোইবা মৈতৈ মেমোরিয়ল জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল লঙ্গরি চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২গী ওইনা নুপামচাগী কাঙলূপ্তা আর ৱাই সী কৈবীনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা নুপীমচাগী কাঙলূপ্তুনা এ এস এ এনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবা নুমীৎতা নুপামচাগী ওইনা আর ৱাই সী কৈবী অমসুং আর ঈ দি ও খাঙবোক লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্কবা স্কোরদা আর ৱাই সীনা পোইন্ট ২২ স্কোর তৌরগা আর ঈ দি ওনা পোইন্ট ২০ খক লৌবা ঙমখিবদগী টাইটল অদু আর ৱাই সীনা ফংখি।

পনবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা কাঙলূপ অসিগী সেমীফাইনেলদা আর ৱাই সীনা এস ৱাই ভি এ অথোকপমবু পোইন্ট ২০-১৮দা থোইরম্বনি। অদুগা আর ঈ দি ওনা ৱাই এস এস খুরাইবু পোইন্ট ২৫-১৩দা মায়থীবা পীরমখি।

ঙসি শান্নবা নুপীমচাশিংগী ফাইনেল মেটচতা এ এস এ এ অথোকপম অমসুং আর ৱাই সী কৈবী লম্বা তৌনবদা এ এস এ এনা পোইন্ট ৭-৫দা থোইরগা টাইটল লৌখি। নুপীমচাগী ওইনা পূন্না টিম ৬ লাকপদা পুল অনী খায়দোক্তুনা লম্বা তৌনরকপদগী সেমীফাইনেলদা এ এস এ এনা ৱাই এস এস খুরাইবু পোইন্ট ১১-৩দা থোইরম্বনি। অদুগা আর ৱাই সীনা আর বি ভি এম হৈরোকপু পোইন্ট ৫-৩দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপগা লোয়ননা খ্বাইদগী অফবা টিমশিংগী ওইনা নুপামচাগীদা ৱাই এস এস খুরাইনা ফংখি। অদুগা নুপীমচাগীদা আর বি ভি এম হৈরোকনা তাখি। বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী ওইনা নুপামচাগীদা এল এ সী সী আই সী খুরাইনা ফংখি। অদুগা নুপীমচাগীদনা আর ৱাই সী কৈবীনা লৌখি। বেষ্ট প্লেয়রগী মনাদা আর ঈ দি ও খাঙবোককী কে ঐচ মুকেশনা নুপামচাগী মনা অদু ফংখি। অদুগা নুপীগীদা এ এস এ এগী এ লক্ষ্মীনা লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপামচাগী ৩শুবা পোজিসন অদু এস ৱাই ভি এনা ফংখি। অদুগা নুপীমচাগীদনা ৱাই এস এসনা ফংখি।

# উত্তর প্রদেশনা জুনিয়র মেন্স হোক্কী টাইটল লৌখ্রে

কোভিলপটি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ফাইনেলদা উত্তর প্রদেশনা চান্দিগরপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরগী অরোইবা মিনটতা উত্তর প্রদেশকী সর্দানন্দ টিৱারিনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় অরুন শাহনিনা শান্নবগী অনীশুবা ক্বার্টরগী অহৌবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতম ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ২ চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল ২ মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবা উত্তর প্রদেশকী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা অরুন শাহনিনা পাঞ্জল ১গা হাপচিন্দুনা চান্দিগরপু ৩-০দা হেন্দুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল অদুদা চঙশিনবা হৌখি।

শান্নবগী অরোইবা ক্বার্টর অদুদা চান্দিগরগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী রমননা পাঞ্জল ১ চনখি। অদুবু মখা তাবা টিম অদুগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী উত্তর প্রদেশনা নুপাগী জুনিয়র হোক্কীগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচ অদুদা ওরিষ্যানা হরয়ানাবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা জুনিয়রগী ওইনা অহুমশুবা খ্বাইদগী ফজবা টিম অদু ওইখি।

নীংশিংবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিগী রন্নর্স অপ তাহৌরবা চান্দিগরনা সেমীফাইনেলদা ওরিষ্যাবু পেনাল্টি শুট আউটতা ৩-০দা থোইখিবনি। অদুগা উত্তর প্রদেশনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা ৪শুবা পোজিসন তাহৌরবা হরয়ানাবু ৮-৩দা থোইরমখি।

# অকোইজম ইবোচা হোক্কী টুর্নামেন্টকী নুপীগী ফাইনেলদা মৈরা বাশিখোং অমসুং টি দল্লিয়ু সী তৌবুংখোক লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): হোক্কী মণিপুর অমসুং হোক্কী য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা তৌবুংখোক ৱেলফেয়র ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী চথুরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল অকোইজম ইবোচা (নুপামচা) মেমোরিয়ল অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গর্লস হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২১গী নুপীগী ফাইনেলদা মৈরা বাশিখোং অমসুং য়ূম্বু ক্লব টি দল্লিয়ু সী লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুপাগী সেমীফাইনেলদনা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপ অমসুং হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম থেংনরগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা কে ঐচ ঐচ এ খোংমন অমসুং টি দল্লিয়ু সী (বি) তৌবুংখোক শান্নরগনি।

ঙসি নুপীগী অরোইবা লীগ মেটচতা মৈরা বাশিখোংনা এম এল ঐচ এ ময়াই লম্বীবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুদা মৈরাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৬ এন কমলানা য়াম্না ফজবা মওংদা ফিল্ড গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক ফংবগা লোয়ননা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অদু ওইখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। ৩১শুবা মিনট, ৩২শুবা অমসুং ৪১শুবা মিনটতা মৈরাগী এন কমলানা পাঞ্জল ৩ থংন-থংননা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখিবনি। লোয়ননা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ পুর্ণিমানা ৫৪শুবা মিনটতা চনখি।

নুপীগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা য়ূম্বু ক্লব ওইরিবা টি দল্লিয়ু সী তৌবুংখোকনা এস ৱাই য়ু সীবু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৬-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা টি ৱাই সীনা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ সী ঐচ উরিনা, জর্সি নম্বর ১১ জেরিনা চোংথাম অমসুং জর্সি নম্বর ৫ কে শর্মিলানা পাঞ্জলশিং অদু চনখিবনি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা সী ঐচ উরিনানা পাঞ্জল ১ অদুগা জর্সি নম্বর ১৬ টি ঐচ সুচিত্রানা পাঞ্জল ১গা চনখি। লোয়ননা অরোইবা ক্বার্টরদা টি দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ৬ কে বেনর্জিনা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখোয়না এস ৱাই য়ু সীবু থোইদুনা লীগ অদুগী অনীশুবা পোজিসন তারগা থা অসিগী ৩১দা লীগকী মকোক ওইখিবা মৈরা বাশিখোংগা শান্নগদৌরিবনি।

ঙসি নুপামচাশিংগী অরোইবা লীগ মেটচতা কে ঐচ এস সী খোংমন অমসুং হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৫ কে এস ঐচ বোরিশনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা চনখিবনি। অহানবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫গী শান্নবা অদুদদি টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

ক্বার্টর অদুগী মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৩শুবা ক্বার্টরদা হোক্কী য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখি। টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৬ দল্লিয়ু দেরিশনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ১-১দা লৈনখি। মদুগী মখা তারকপা অরোইবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎলগা পুল এগী অরোইবা মেটচ অদু লোইশিনখি।

মমাংদা শান্নখিবা পুল বিগী ওইনা মকোক ওইখ্রবা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপকী টিমনা হয়েং সেমীফাইনেলদা পুল এগী রন্নর্স অপ তাখ্রবা ঙসি দ্রো চৎখিবা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগা সেমীফাইনেল শান্নগনি। অদুগা হয়েং অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুনা পুল এগী মকোক ওইখিবা কে ঐচ ঐচ এ খোংমন অমসুং পুল বিগী রন্নর্স তাখিবা টি দল্লিয়ু সী (বি) তৌবুংখোককা শান্নগনি।

# হিমাচল প্রদেশনা বিজয় হাজারে ট্রোফি ক্রিকেটকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

জয়পুর, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা লৈবা সৱাইমান সিংহ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা বিজয় হাজারে ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা হিমাচল প্রদেশনা টামিল নাদুবু ভি জে দি মেথদতা রন ১১দা মায়থীবা পীদুনা ষ্টেট অদুগী ওইনা ট্রোফি অসি অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস হিমাচল প্রদেশকী কেপ্টেন রিশি ধৱননা ঙমদুনা টামিল নাদুবু হান্না বেটিং তৌহনখি। মদুদা টামিল নাদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা শুপ্নগী বোল ২ ৱাৎলিঙৈ রন ৩১৪ লৌরগা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি। টামিল নাদুগী মায়কৈদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দিনেশ কার্থিকনা বোল ১০৩দা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ১১৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। ৬শুবা বেটসমেন ইন্দ্রজিৎনা বোল ৭১দা সিক্স ১গা ফোর ৮ য়ৈদুনা রন ৮০ লৌরম্বা অদুনা য়াম্না চাওনা মতেং পাংখি। লোয়ননা শাহরুক খাননা বোল ২১দা সিক্স অমসুং ফোর ৩/৩ য়ৈরগা রন ৪২ লৌবা ঙমখি।

মেটচ মায় পাক্নবা রন ৩১৫ লৌনবা হোৎনরকপদা হিমাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী ওভর ৪৭কা বোল ৩ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২৯৯ লৌখি। অদুবু উবগী চাং ৱাৎপদগী মখা তানা শান্নবা য়াখিদবা মরম্না ভি জে দি মেথদতা মেটচ অদু হিমাচল প্রদেশনা রন ১১দা থোইরে হায়না টুর্নামেন্ট অদুগী কাঙলোনগী মতুংইন্না লাউথোকখি।

মেটচ অদু লোইশিন্দ্রিঙৈদা হিমাচল প্রদেশনা বোল ১৫দা রন ১৬ লৌগদবনি। টিম অদুগী ওপনর সুভম অরোরা আউট ওইদনা বোল ১৩১দা রন ১৩৬ লৌদুনা লৈখি। অদুগা কেপ্টেন রিশি ধৱনসু আউট ওইদনা বোল ২৩দা রন ৪২ লৌখি।

# ষ্টেট লেভেল জুনিয়র হেন্দবোল টুর্নামেন্টতা বি বি এনা নুপাগী অদুগা ৱাই এল কেনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর হেন্দবোল এসোসি-এসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই এল কে চিংঙারেলগী হেন্দবোল শান্নবুংদা চথুরকপা ৪৪শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা নুপীগীদা বি বি এনা অদুগা নুপীগীদনা ৱাই এল কেনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেটচ অদুদা বি বি এনা ৱাই এল কেগা লম্বা তৌনখি। মদুদা বি বি এগী মায়কৈদগী পোইন্ট ২৭ স্কোর তৌখিবদা ৱাই এল কেগী মায়কৈদগী পোইন্ট ২০ খক লৌবা ঙমখি। বি বি এগী মায়কৈদগী এ প্রেমসন অমসুং এ মনিচন্দ্রনা পোইন্ট ৮/৮ স্কোর তৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখি। অতোপ্পা শান্নরোয় এল নরেশনা পোইন্ট ৭ স্কোর তৌখি। লোয়ননা টিমমেট এল জেমসবোন্দ অমদি এল গীতঞ্জিৎনা মথংশিংনা পোইন্ট ৩ অমসুং ১ লৌবা ঙমখি। রন্নর্স অপ তাখ্রবা ৱাই এল কেগী মায়কৈদগী এ বিপিনচন্দ্রনা পোইন্ট ১০ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অদুগা এল হেম্বনা ৪, ৱাই চিংলেনসনা অমদি ৱাই অভিজিৎনা ২/২ স্কোর তৌখি।

নুপীগী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ৱাই এল কে অমসুং আই এম সী শান্নবদা ৱাই এল কেনা ১০-৬তা থোইখি। ৱাই এল কেগী এল নোমিকানা পোইন্ট ৪ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি। অদুগা আই এম সীগী মায়কৈদগীনা লিন্থোই চনুনা পোইন্ট ৩ লৌদুনা ফজবা ঙমখি।

# টেবল টেন্নিস ট্রেনিং পাঙথোক্লগনি

জিরিবাম, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): জিরিবাম টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী ওইবা মীফম অমা ঙসি প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎ কুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩দা পাঙথোকখ্রবা মতুং মথং চহীগী জ্যুৱারী ১৬তগী হৌরগা নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ওইবা লেম্না টেবল টেন্নিস ট্রেনিং কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

মীফম অদুদা নৌনা ফম পায়রবা এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্টগী ডা. টি ঐচ সোমোরেন্দ্র, জোইন্ট সেক্রেটরি এন রোবিন্দ্র অমসুং এ রাজিব মীতৈ, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিদা এল ফজলেম্বী চনু লোয়ননা মেম্বর ওইনা এন জি মেনোকা অমদি ওদিটর ওইনা আর কে রোমেনসনাবু এসোসিএসনগী অসিগী এগজিক্যুটিভ বোদিদা হাপচিল্লগা মীফম অদু লোইশিনখি।

# সেপাক টাক্রোগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসননা শীন্দুনা সব-জুনিয়র অমসুং জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লসকী কোচিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দ হৈঙাং মখা লৈকাইদা থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯দা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লসকী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি। অদুগা দিসেম্বর ৩০ অমসুং ৩১দনা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লসকী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি।

ট্রায়ল অদুদগী খনগৎলকপা শান্নরোয়শিংনা সব-জুনিয়র এন্দ জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদৌরিবনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা পীরকপা পাউ অমনা খঙহল্লক্লি। ট্রায়ল অসিদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিংনা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দা অয়ূক্কী পুং ৭.৩০দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল শরুক য়ারুবী হুইদ্রোম সুনিতাবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



বিষ্ণুপুর, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): কেরলানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২দা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়ারুবী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌদগী হুইদ্রোম সুনিতাবু পূক্নিং থৌগৎলদুনা অমদি হন্দক্তা ২৯শুবা শিরোই কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তারকখ্রবা ক্লাসা এফ সীগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ক্লাসা এফ সী কৈনৌনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ওইনাম এ সীগী এম এল এ লাইশ্রম রাধাকিশোর, ক্লাসা এফ সীগী প্রসিদেন্ট ৱাই নোর্টোন, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট এল নবা, ক্লাসা এফ সীগী কোচ এম দেবেন, রেগ্যুলর কোচিং সেন্টর কৈনৌগী ফাউন্দর এস রোবিচন্দ্র অমদি লৈকাই অদুগী শান্নববু পূক্নিং থৌগৎপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধাকিশোরনা হায়খিবদা, থবকখূদিংমক পূক্নিং চঙনা হোৎনরবা মতমদা মায় পাকপা অমদি মহয় চাবা ঙমগনি। পীকখ্রবা লমদম অসিনা মালেমগী মফম খূদিংদা শক তাক্লিবা অসি চাওথোকচনিংঙাইনি হায়রদুনা শান্নরোয়শিং অসিবু ঐখোয়না শেমগৎ-শাগৎপীদুনা হেন্না মায় পাকপা ওইবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ক্লাসা ফুটবোল ক্লবনা লমদম অসিগী শান্নরোয় কয়াবু শেমগৎ-শাগৎতুনা মণিপুরগী ওইনা শান্নরোয় কয়া লেপ্পা লৈতনা হৌখিবা চহী কয়া-কয়াগী মমাঙদগী পুরক্তুনা লাক্লিবা অসি ঙসি নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা শেমগৎলিবা অসিদসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা রেগ্যুলর কোচিং সেন্টর কৈনৌদগীসু চহী নৌরিবা কয়া থোরক্লিবা অসি পূন্না শেম্মীন্নসি হায়বা ৱাফম থমখি।


# অহৌবা নুমীৎতা ইন্দিয়ানা রন ২৭২ লৌবা ঙমখ্রে

সেঞ্চুরিওন, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি সেঞ্চুরিওনদা লৈবা সুপর স্পোর্টস পার্কতা ইন্দিয়াগা শান্নবা ক্রিকেট সেরিজকী অহানবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি অহৌবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা বেটসমেন অহুম আউট ওইরগা রন ২৭২ লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখিবনি। মদুদা ওপনর কে এল রাহুল অমসুং ময়াঙ্ক অগরৱালনা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ১১৭ লৌখি। অদুবু অগরৱাল মশাগী রন ৬০ শুরকপদা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা চিটেশ্বর পুজারা অহানবা বোলদা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অনী রন ১১৭তা তুখি। ভিরাট কোহলিনা পুজারাগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরকপদা রাহুলগা লোয়ননা রন ৮২ হাপচিনখি। কোহলি রন ৩৫দা আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকপা অজিক্যা রাহনে অমদি কে এল রাহুলনা রন ১৯৯দগী মখা তারক্তুনা অহৌবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা আউট ওইদনা লৈখি। রাহুল রন ১২২ লৌদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর ফজহনখি। লোয়ননা রাহনে রন ৪০ লৌদুনা ক্রিজদা লৈরি।

Akoimart
(WHOLESALE & RETAIL)
Live Easy
SALE POINT
MANIPURI RICE
CHENGKUP
POULTRY FEEDS
GROCERIES
POROMPAT CROSSING, IMPHAL EAST, 795005
AKOIMART SALE POINT
Akoimart না মিয়ামগী খুদোংচানবগীদমক Sale Point অমা Imphal East কী Porompat Junction দা হাংদোকচরে, লোয়ননা মখাগী পোৎলমশিং অসি মরাং কায়না ফংবিগনি।
• মৈতৈ চেং (Ready to cook) {Packed in bags of 5 Kg, 10Kg, 25Kg & 50Kg}
• চেংকুপ, চগেম, চামাং নচিংব
• য়েন, ঙানু অমদি শা, ঙাগী মচিঞ্জাক
• GROCERY :- Packed তৌরব হৱাই চেংৱাই, অলু, তিলহৌ, চনম, চিনি-নচিংব মখলসিং Wholesale অমদি Retail অনিমক্কি ফংবিগনি।
Note : Delivery তৌবগী খুদোংচাবস্কু ফংবিগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক পীজরিব Contact No.শিং অসিদ Phone তৌবীরকপ য়াগনি।
9863149948 / 9362259435 / 7085184590 / 9366095791
HL-P/1038/24/12-10/01

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 330

Gasztonyi, Endre - Forintos, Gyozo V
Budapest-ch Budapest, 1964

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 c5 | 4.d5 exd5 |
| 5.cxd5 b5 | 6.e4 Nxe4 | 7.Bd3 Nd6 | 8.O-O Be7 |
| 9.Bf4 O-O | 10.Nc3 b4 | 11.Bxd6 Bxd6 | 12.Ne4 Be7 |
| 13.d6 Bf6 | 14.Qc2 Na6 | 15.Qa4 Nb8 | 16.Nxc5 a5 |
| 17.Qc2 g6 | 18.Be4 Ra7 | 19.Bd5 Bg7 | 20.Rfe1 Kh8 |
| 21.Re7 Qb6 | 22.Ne4 f6 | 23.Qc5 Ra6 | 24.Rc1 Bb7 |
| 25.Qc4 Bxd5 | 26.Qxd5 a4 | 27.Rf7 Rd8 | 28.Nfg5... |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 329 Ans. :**

25. ...Nxe4 26. Rxh7+ The white rook decoys Black's king. Kxh7 27. Qh3+
27. Rh1+ Kg8 28. Qh3 Mating net Rfb8 29. Qh7+ Kf8 30. Qh8+ Qxh8 31. Rxh8# Anastasia's mate
27. ...Kg8 28. Rh1 Mating net Rfb8 29. Qh7+ Kf8 30. Qh8+ Qxh8 31. Rxh8# Anastasia's mate
26. Rxh7+ Kxh7 27. Rh1+ Kg8 28. Qh3 Ng5 29. Ne7+ 1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com